# শক্তম মাঙলুরবা চৈরাওচীং-২

## ‘হৈ হেকতৌরি’

-টি ঐচ ইনাও -



*টু বি* কন্টিনিউগী ইঙ্গিৎ অহানবা ৱারেংগী অরোইবা পেরেগ্রাফতা, উপাল মখল কয়া থাদুনা মতম খরগী তুংদা অহোংবা ফিজং অমগী পান্দম লৈবা মাল্লি, অসুম্না। নোংজু থা অমগী অঙৈং অশা লৈহাও মচিঞ্জাক ফংবা হায়বসি উপাল অমগী পুন্সিদা মশক লেপ্পা য়ারিবনি, উপাল থাগে হায়রবদি নোংজু থাদা থাও হায়রিবনি, লৈবাক্কী বন মহসবসু নোংজুথানি। নোংজু নংনবা থাখিবা উপালময়োন চোংদুনা অনৌবা মনা চোংলকপা হায়বসি ঐ হিংলে হায়বনি অদুগা হান্নবা শারেপ তল্লক্লিবা উপালশিংসু মতাং কারকপগী অনৌবা মনা, অনৌবা য়েনিং অনৌবা মসাশিংনা উৎলক্লি। ঙসি চৈরাও চীংগী মীয়াম্না উবিরিবা মশক অসি ওইরক্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌখিবা এন এল সী থারোন অমদি তরুং খুলগী জোইন্ট ফোরেষ্ট মেনেজমেন্ট কম্মিটিগী অনীশুবা পার্টনর্র কাঙলুপ অহুম হায়বদি : (১) তরেৎশুবা ইন্দিয়ান রিজার্ব বট্টালিয়ানগী জৱানশিং অমদি (২) সলাই মপারি শীংলুপ পুপ, (৩) রিটয়ার্দ মোইরাংথেম পিশক, ইনভাইরনমেন্টলিষ্ট, হায়রিবশিং অসিনা কৎথোকপগা লোয়ননা মতম পাঙ্গল চাদিং মখোয়না ইনভাইরমেন্টতা ঙাওজরিবশিং অসিসু মীয়ামদা খঙহনবা অমদি খঙমিন্নবা চঙই, মীপুম খুদিংমক্না খনবা ৱাখল, তৌবা ঙম্বা থবক নত্তে মী খরনা ঙাওরগা মদুগী কান্নবনা লৈবাক মীয়াম্না ফংমিন্নরি। অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপা মসিবু কন্ননবা হোৎনবা হায়বসি ঙসিদি মালেম পূম্বনা খন্না নৈনরিবা হীরম অমনি। মথক্তা পঞ্জরিবা পার্টনর (১) ইন্দিয়ান রিজার্ব বট্টালিয়ন : হৌজিকমক্কী ওইনা অরোইবা থেন অসিগী অকোয়বদা থারিবা তোঙান তোঙানবা উপালিশিং হৈপাল লৈ মখলশিং অসিগী মথক্তা হৈপাল অমগী চারা নর্সরি শেমদুনা চীংদোন অসিগী অকোয়বদা হৈপাল চা কয়া থাখ্রবনি । চহী খরগী মমাঙদা থাখিবা হৈপালশিংদি ঙসি শারেপ ফাবা য়াওরবনি। শাংলবদা চহী অম অনীগী মতুংদদি হৈপালশিং অসি উহৈ তপ্পা তপ্পা উবা ফংলগনি, হৌজিকসু লেপ্তুনা থারিবনি মতম অমদি লেবরগী ৱানি, চেরি হায়রিবা হৈপাল অসিগী চারা হৌজিকসু চীংদোন অসিগী মনুং থংবা শরুক্তা চারা মশীং খঙদনা লৈরিবনি। মতাংসিদা মীয়াম্না ৱাহং অমা হংনিংগনি মদুদি - লৈঙাক্কী লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লনবা লৈরিবা জৱানশিংনা করম্না হৈপাল লৈপাল, উপাল থাদুনা ইনভাইরনমেন্ট ঙাক্লবা থবক তৌরিবা হায়না? জৱানশিংসু সুটি ফংই সিভিল সার্ভেন্ট অমগুম অদোমগুম হোবিসু লৈ নোংমাইজিং সুতি নুমিৎ খক্তদা অসুম য়াম্বা থবকশিং অসি মতম চংনা পাঙথোক্লক্লিবনি। অদোম্না থেংনবদি থবকশিং অসিগী মশক লৈরবা কান্দা খঙবনি। হৌজিক ফাওবা চীং অসিদা উরিবা খরসি কনানা তৌবনো খন্দবা য়াওরিবনি ৱাফমসি ৱারৌবিনু নীংশিংজবনি। ইন্দিয়ান রিজার্ব বট্টালিয়ানগী জৱানশিংনা থারিবা লৈ মখলশিং অসি অসুক্কী মতিক ফজে অমদি ৱাখল খলহল্লি মদুদি লৈ মখল অমদি মচু মরিদা শাৎলি অতরগুলাব পাম্বীগুম অঙৌবা, অঙাঙবা, মুরৈনবা, অৱাওবা, সনারৈ ফাওবা মচু মরি সুদে অসুম্না অতৈ অতৈ মখল কয়াসু। লৈপালশিং অসি মথংগী শিজন্দদি অমুক থাররোই। হৌজিক পোইনু, ৱাকচিং লৈশাৎ লোইদুনা পাম্বীশিং খুইথরে । লৈগী মরূশিং লৈখোংদা লোইনা কেল্লনি। নোংজু-থা লাকপা মতমদা অমুক অনৌবা চারা ওইনা লোইনা হৌগৎলক্লগনি । মতাংসিদা অদোম কবি অমা নীংশিংবিবা ঙম্ব্রা? নূং, চেকনা শাবা মনিদরদি মল্লগা নীংখায়বনি । নীংখায়বা লৈররোইদবা শংদুনতা লৈরগদবা মন্দিরনি লৈপালগী মন্দিরদি হায়বনি কবিদুগী ৱাহন্থোক্তু। অশিৎ অৱান থা লাক্কনি, নুংশিৎ শীৎলক্কনি, নোংচুরক্কনি, লৈখোংদগী লৈ মরূশিং নুংশিৎনা খরদা ওইরসু হুমখিনি। নোংগী ঈশিংনা লৈ মরূশিং চেন্থখিনি । মতম খরগী তুংদা থৱান, মেরা, হিয়াঙ্গৈ চৈরাও চীংগী চীংদোনগী লৈশিং অসিগী মচুনা মশক ওল্লগনি। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতা কচাইগী চীংমায়দা চম্প্রা মুনবগী হঙ্গামপান মচুনা চীংমায়গী মচু ওনবগুম।

সলাই মপারি শীংলূপ লূপ : লমদম অসিগী অরিবা মতমগী মীরোল ইপা ইপুশিংনা চৎনরম্বা, কাঙলোন পথাপ, উচল ঙাক্না চৎনরম্বা লমচৎ শাজৎ, য়েক সলাই, কাঙলূপ, চাদা নাওদা, থৌরম থৌদা কয়া ঙসিগী চাওখৎলে হায়রিবা মীরোলসিনা ইপানাৎ ইপুনাৎশিংদু কাউশিল্লক্লবা মতমসিদা চৈরাও চীংগী থেন অমদা সলাই মপারি শীংলূপ লূপ্না অতিংকোক মরূ শিদবগী য়াওনশঙ, লায়শঙ অমা শাদুনা মচু তরেৎকী পাফল মতম চুপ্পগী উহন্দুনা চীংগী নাপোক অসিদা লাক্লিবা অনৌবা মীরোলশিংদা পীরিবা মমল য়াল্লবা পাউজেল অসিগীদমক মনা পীফম থোকই। সলাই মপারিনা মখোয়গী বেনর অমগী মখাদা থবকশিং চঙশিল্লক্লি। উপালবু কনবিসি, মহৌশাগী ফজববু কনবিসি, উপালনা ঐখোয়গী থৱায়নি, উপাল থাদুনা ঐখোয়গী পুন্সি কঞ্জসি। ঐখোয় মীওইবসি য়াম্না খঙ-হৈবা, শিংবা, ৱাখল লৈবা শানি হায়নরিবদুনি রেসনেল এনিমেল, অদুবু কাউজনদি য়াম্না থি। নীংশিংজরিবসি অনৌবা ৱাফমদি নত্তে, মীওইবনা নীংশা শ্বর হোনবদা ওক্সিজেন শীজিন্নৈ অদুগা কার্বোন দাওক্সাইদ থাদোকই। উপালনা ঐখোয়দা পীবা, ঐখোয়না উপালদা পীবা লৈনরিবা মরীসি অসিনি। অমুক অচৌ অচৌবা উপাল ৱাপাল য়াম্না হৌবা, অকুৎ অতোং য়াম্না লৈবা মফমবু চীঙমান/জঙ্গল হায়নৈ। জঙ্গল ঈশিংনি, পুন্সিনি মীওইবগী থৱায় ওইরিবা। সহরা, মরুভুমি লমদম কনানসু ফজে হায়নদে পুমকোক কোকপগীদি ফজে। মহৌশা য়াওদনা মীওইবনা হীংবা ৱাই। অদুনদি মালেমগী জিবা পানবা মীওইবা মুৎখিবা য়াই হায়নরক্লিবসি করিগী হোংলক্লিবা অঙৈং অশাগী খল বাইও দাইভরসিতি কনবা ঙম্লোইদ্রা নুংনাংলকপদগীনি। মহৌশা অমদি মহৌশাগী ফজবসে অদুক্কী মতিক মীওইবনা কল্লক্না ঙাকশেনগদবনি । মরমদি মীওইবনা মঙোন্দা তাংজগদবনি অদুনা সলাই মপারীগী মিসন, প্রোজেক্ট, সবজেক্ট য়াম্না চাউই, ৱাংই। থমজরিবা খরসিনা পেন্বীরোই, ৱারৌবিনু।

রিটয়ার্দ মোইরাংথেম পিশক ইনভাইরনমেন্টেলিষ্ট : অহল অসিনা চৈরাও চীংদা লাকপসি কুমজা ২০১৪ অদুৱাইদনি হায়। চহীদুদগী ঙসি ফাওবা মহাক্কী অনীশুবা যূম, ৱাখলগী পোথাফমসি চৈরাও চীং অমদি কংলাদা ওইরি, করম্না খঙবনো হংবিরক্লবদি মহাক্কী থবক্না তাক্লি। মী খুদিংমক্কী হোবি লৈবগুম থবক্তগী পোখারবা তুংদা ওজাগী হোবি পোথাফমসি উপাল ৱাপাল থাবা অমদি থবক্তুগী অওনবা মশকশিংদুদা ঙাওজবা পেঞ্জবদুনি হায়। কনাগুম্বদি থবক্তগী পোথারকপসি ঙাওচৎ ফৈজৎনবসু য়াওই হায়নৈ অদুনা সার্ভিস লোইরমদাইদা পুনফম থিনৈ, শেম্নৈ হায়। কলম পায়দুনা মী শেম্বগী এঞ্জিনিয়ার ওইরল্লগা হোবিনা য়াদদনা পাঙ্গল অমুক শীজিন্নরকপসি করিনো অমদি লৈরমগদবা মাল্লি। ‘‘ইশানা পাল্লুবা, খল্লুবা য়াওদনা মীয়াম সমাজগীদমক তৌবা থবকসি খুন্নাইগী থম্মোয়না পেল্লবা মদুমুক চাউবা মনা লৈতে হায়নৈ।’’ ঙসি ঙসিমক চৈরাও চীংখোঙদগী লম্বীগী নাক য়েত্তা থারিবা উপালশিং হৈপালশিং অসি ভেটরান ইনভাইরনমেন্টেলিষ্ট অসিগী থবক্নি। মসি পংলায় লায়দে। হায়জনিংলিবদি উপাল থাবগী তোঙানবা অঙ্কা লৈতে। তৌবতবু উপাল থাননবা কাংখুল, কোম তৌবা, পাম্বী লৈবা, পুরকপা থাবা হিংনবগীদমক ঈশিং চায়বনি পংলায় লায়দে হায়জরিবসি। মমৈদদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা খঙবিরকপদগী চারাশিং লেম্না পীবিরকখি হায়রি । ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা তৌগদবা থবক অমা লনাই মীওই কাঙলুপ খরনা তৌরম্বগীদমক মনাদুম পীফম থোকই খঞ্জে। হায়নবা লৈ উপাল থাবদি লাই মরু ওইবদি হিংনবা য়েংশিনবা ঙাক শেনবদুনি। চীংদা ঈশিং পুখত্তুনা উপাল হিংনবা মচিঞ্জাক পীবা থথা নত্তে, কাঙবু খরনা অসুম্না তৌরগা কাঙবু খরনা অনৌবা মতোন মসা থুদেকপীরম্বা য়াওদবা নত্তে।

চৈরাও চীংগী কান্নবা কয়া, শান্নরোয়শিংগী, হকচাং শাজেল তৌরিবশিংগী, তোঙান তোঙানবা কয়া মমাঙগী ৱারেংদা পঞ্জখ্রে। মিথাইগুম হাওবা নত্রবসু কান্নবদগী কান্নবা মেসেজ অমা। রিপোর্ট অসি য়াম্না নোয়বা নহা অমনা মহাক্না মতৌ করম্না মহাক্কী অনোয়বা অমদি অরূম্বসি হন্থহনগদগে খনবদা অৱাবা ওইখি । মমৈদা চীং অসিদা চাংনাইনা কাবদগী অনোয়বা অমদি অরূম্বা হন্থখি । অরূম্বা কে জি ৯০ ওইরম্বদগী কে জি ৭০ চাংদা হন্থরকখি। চাবা থকপা খরদি কন্ত্রোল তৌবা চঙই। করম্বা দোক্তর মখলদা য়েংগদগে খল্লম্বা ঐগীদমক্তদি চৈরাও চীংসি অফবা দোক্তর ওইরম্লে অসুম্না তম্বীরকই। নীংশিংজনিংবা অমনা চীং অসিদা নোংমগী মতেক অমতং ওইরসু কারক্তুনা অপেনবা, নুংঙাইবা লৌবা লাকপীরিবা ইচা ইনাওশিংনা ষ্টেচু মরি লৈরিবসিগী ফম্বাক্তা কাখৎতুনা, ষ্টেচুদা মনিং ওনশিনদুনা ফম্বসি তৌহঞ্জনিংদে। হৈকৎ লৈকৎ তম্বা মতমদা কাবা নত্তনা, মণিপুরীশিংনা ষ্টেচু মরিসিদি থৱায়নি খনগদবনি, ইকায়খুম্নবা উৎকদবনি ৱারৌবিনু চাদা নৌদানি ঐখোয় মরৈবাক নুংশিজখিবশিং অসিগী। হৈকৎ লৈকৎ তম্ফম অসিগী গেৎতা কংলা শাগী মচি অমসু অঙাংশিংনা থুদেকখ্রমাল্লে। মমা-মপাশিংনা, গার্জিয়ানশিংনা অঙাংশিংবু মসিদা তোংহনবিগনু । ঐখোয় খুদিংমক্না ঙাকমিন্নগদবদা কাঙবু খরনা মপু ওইহনবসি ফজদে হায়নিংই অদোমসু মপুনি। ভেটরান ইনভাইরনমেন্টেলিষ্ট অসিগী থবক্তি চৈরাও চীংদা তৌরিবা খরসিদা নত্তে, শাংলবা চহী খরসু ইরমদম অসিগী খোয়দৌনি হায়রিবা কংলাদা উপাল থাবা, শেমজিন শাজিনবা, কংলাবু অওনবা মশক অসি ওইনবা হোৎনবা থৌদাং য়াজবগী চেপ্তর অমসু লৈখ্রে হায়রি। মদুবু শকখঙবা ওইনা মণিপুরী সেনেমাগী কাঙলুপ অমনা ইকায়খুম্ননা পীবা মীংথোলনি হায় ভেটরান ইনভাইরনমেন্টেলিষ্ট হায়বসি। চীংখোঙদগী থারক্লিবা উপালশিংগী মরক্তা চেরি পাম্বী ২০০ য়াওই হায়রি । মসিনা মপূং ফারকপা অমদি হৌজিক্কী ওইনা ইন্দিয়ান রিজার্ব বট্টালিয়নগী জৱানশিংনা চীংদোলগী অকোয়বদা থারিবশিং অসিনা মপুং ফানা হৈ পাল্লকপা মতমদা চীংকারোই খুদিংসু চাজরনি, তুরিষ্টকী অচৌবা মফম অমা ওইগদৌরিবনিনা য়েংবদসু ফজরনি কাউঙল্লরোই। য়ামখ্রবা চেরিগী হৈশিংদু চাবনা চাজখ্রে, লেমহৌরিবশিং মীঙোন্দ পীজরবসু, য়োনবু য়োল্লবসু পাম্মুবদগী ইনভাইরমেন্টকী পার্টনর কাঙবুনা হৈদি হেকতৌরি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## এক্ট ইষ্ট পোলিসিনা সনাগী দোলাই তোংহনবীগদৌরিব্রা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*ইন্দিয়াগী* লৈঙাক্না নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং অসি চাওখৎহন্দনা ইন্দিয়া চাওখৎপা কৈদৌনুংদসু য়ারোই হায়বনচিংবা ইকায় খাংদগী কং কোৎপা মানবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া ঙরাং-নহান্তা শীজিন্নবা হৌরক্লি। নহান মখৈনা করি ওইনা খল্লুরিবা! মসিসু থওইনা ঙক্তবা ঙমদে। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে লৈঙাক্তা শোয়খিবা-লানখিবা কয়া লৈখ্রগসু অদুগুম্বশিং অদু নাথৈরগা করিগুম্বা থবক অমা তৌরিবদুসু লৈবাক্কী অফবা ওইরগদি করিবু কায়বগে? ইহান হানবা তাঙ্কক অমা ওইনা চাওখৎ-থৌরাংগীদমক হান্না য়েংদবা য়াদবনিনা য়েংনবগী পোলিসি অমা ‘লুক ইষ্ট পোলিসি’ থোন্দুনা য়াম্না শোত্থরবা মায়কৈ অসোমদা হায়রপ য়েংবা হৌরকখি। অসুম্না হায়রপ্তুং য়েংখিবা তাল্লক্তুদা মণিপুর খুন্নাইগী মীয়ামলক্তা ইন্দিয়াগী লুক ইষ্ট পোলিসিনা ম্যান্মার, থাইলেন্দনচিংবা লমশিংগা মণিপুরগা লেন্দ অমসুং এয়র কনেক্টিভিটি লৈহন্দুনা অফবা মরী অমগা লোয়ননা শেল থুম, লল্লোন ইতিক অমসুং অতৈ করি করিগী লম্‌দা চাওখৎহন্নবা জাৎ-জাৎ য়াম্না তৌরক্লগনি খন্দুনা হরাউ মথোই পংকাদা কানবসু কোঙ্গাইনি। সেন্টরনবু থৱায়-হকচাং য়াওনা পুকচেল শেংনা, শক-চু, লোন-লি খেন্নবা থম্বীদনা অথুবা মতমদা মণিপুর চাওখৎহন্নবা শীংথানীংঙাই ওইবা জাৎ-জাৎকী মীৎয়েং ওইনা য়েংবিরমগনি খঞ্জদুনা করিগীসু হরাউ-মথোই কারোইদৌরিবনো?

সেন্টরনা ‘লুক ইষ্ট পোলিসি’ গী মতেংনা হায়রপ য়েংখিবদগী মণিপুর অসি পোলিটিকো-সোসিও-ইকনমিক্কী লম্‌দা হায়নীংঙাই লৈতনা শোত্থরবা লমনি হায়বসি ইরায় লায়না খঙখি। লমদম অসিবু চাওখৎনবগী মীংদা য়াম্না থুনা লুক অসি এক্টতা ওন্থোকপা তঙাইফদ্রে খনবদগী এক্ট ইষ্ট পোলিসিদা ওন্থোক্তুনা থবক তৌবা হৌরকখ্রে। মণিপুরগী ম্যান্মারগা লোন্নবা বোর্দর অদু ঙাক্লবরা নৎত্রগা লালহৌলূপশিংবু মায়রোং য়ানবরা অসাম রাইফলসকী সিফাইশিং তেঙ্গোল তেঙ্গোল থাজিনখ্রে। মণিপুরগী মীশিংনা ম্যান্মার অমসুং থাইলেন্দদা নুংঙাইনা লম কোয়বা য়াহনবদা নত্তনা ইন্দষ্ট্রি অমফাওবা লৈজদ্রিবা মণিপুরসু ইন্দিয়া ম্যান্মার, থাইলেন্দ অমসুং অতৈ অতৈ নোংপোকলোমগী লমশিংগগী মরক্তা তৌনগদৌরিবা লাল্লোন-ইতিক্তা য়াওহনগদৌরি। মণিপুরনসু ম্যান্মারগী হেলথ সেক্টরদা অচৌবা মতেং পাংদুনা লৈবাক অনীগী অফবা মরী শাগৎনবা হোৎনরি। বোর্দর এরিয়াদা ময়াই কাবা ফত্তবা হীদাক নম্বর ফোরনচিংবসু পুশিল্লকপা থিংনবা কন্না হোৎনরি। লল্লোন ইতিক অমসুং অতৈ অতৈ থবকশিংদা খুমাঙ চাওখৎনবা মীতোপ য়াম্না তোংবা ত্রেন কয়া চেনশিল্লক্কদৌরি।

লাইবক থীবা অমনা সেন্টরনা মরক মরক্তা তৌগে হায়না তৌবা মানবা মণিপুরগী ইনিটগ্রিটি কায়গদবা তায়োন্নবা থৌরাং-থৌশিল তৌশিল্লকপা অসিনা মীয়ামগী পূক্নিংদা শেরান-তুরানবা অমসুং চিংনহন্নীংঙাই ওইবা ৱাখল পোকহন্দুনা তংদু-লৈতানা লৈথোকপা ঙমহন্দে। মরম অসিনা খুন্নাই অসিগী মীয়াম ঐখোয়না ইশা ইশাদা হংজরিবা ৱাফমদি ইন্দিয়াগী লৈঙাক্না মণিপুর চাওখৎহন্নবা তপ্পা তপ্পা থাংজিল্লক্লিবা খোঙথাংশিং অসি কয়া য়াম্না পুকচেল শেংনা কদোমদা, কদায় ফাওবা অমসুং করি করম্বা পান্দমগা লোয়ননা থাংজিল্লক্লিবনো হায়বসিনি। অসিগুম্বা চমন্নবা অমসুং চয়েৎনবা পোকহল্লিবা সেন্টরগী থৌশিল অসিবু লৈবাক মীয়াম্না থাগৎসি কদায় থাগৎকুমসি কদায় হায়দুনা নূং অনীগী মরক্তা হা ওন্দুনা লৈরিবনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা মণিপুরনা য়াহিপ হেক তাখিবদগী ঙসি ফাওবদা মমিৎ মমায় শিংনা অমসুং মনীং মখা তন্না য়াহৌবফাওবা ঙমজদ্রি। অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনবদা খুবী-খূৎনাওবীমুক্তং চাউবা মণিপুর ষ্টেট অসিদা ইস্যু মচা-মচাদগী ইস্যু অচৌ অচৌবা কয়া ময়েক শেংনা লোইশিন-খোমজিনবা ঙমদনা পুংচাই চাইদুনা লৈরক্লিবসি ফনা শাংখ্রবা মতমনি। অসিগুম্বা নুপা থোক্না লোইশিনবা ঙমদ্রবা মশীংসু হেনগৎলক্লিবা ইস্যুশিং অসিনা অপিকপা খুন্নাই অসি য়াম্না ৱাহল্লে, চোকথহল্লে অমসুং থৌনা লিংজেলসু হন্থহল্লে। ইস্যুশিং অসি খরদং পল্লবদা লম্বী থোং, মৈ-ঈশিং, লৌউ-শিংউবা, পোল্যুসন কন্ত্রোল, ত্রাফিক কঞ্জেসন, গাড়ী পার্কিং, তুরেল খোংনুং শেংবা, লোক্তাক ফুমদি শেংবা, ঈশিং-ঈচাও, মংগী পোলিসি, এম য়ুগী ৱাথোক, থবক ফংনদবগী, ফুদ এদল্টরেসন, শান্ন-খোৎনবগী, চারৌ-মৌরৌশিল্লকপা, ময়াই কাবা চিঞ্জাক অমসুং অতৈ নার্কোটিক দ্রগ, এদ্যুকেসন, টাউন প্লান্নিং, ইন্দষ্ট্রি, পব্লিক ত্রান্সপোর্ট, ষ্ট্রিট ভেন্দর, মণিপুরী লোল ময়েক, মীতৈ/মৈতৈ, দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরি, জুকো ভেল্লি, বোর্দর পিল্লর, জে সী আই এল পি এস, টি দি সী, ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট, অর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱর এক্ট (অফস্পা) অসিনচিংবা চয়েৎ-খোয়েৎনরিবা ইস্যুশিং অসি অমফাওবা চহী কয়াদগী মমুৎ তানা সোল্ব তৌবা ঙমদনা লাক্লি। ঙরাং নহান্দসু সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ হায়বা অমা লোক সভাদা পাস তৌশিল্লক্তুনা এক্ট অমা ওইনা নম্ফুদা চৎনহল্লক্কদৌরি। মসিবু অৱাং নোংপোক্কী মতু শোঞ্জরবা পিক্ল-পিক্লবা য়েলহৌমী মোঙ্গোলোইদ ফুরুপশিংবু মুত্থৎনবা ইফোং ফোংনা শীংনবা মেন্দলেন্দ ইন্দিয়াগী থৌশিল থৌরাং নত্তনা অতৈ করি ওইনীংঙাই লৈরিবগে।

মরু ওইনা মণিপুর খুন্নাইগী মীয়ামদা চহী ৭০ রোম চূপ্পা ঙাইরক্লিবা এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী সনাগী দোলাই অদু অমুক্তংদা ওইরবসু তোংনীংবা পাল্লিবনি। অদুবু অসিগুম্বা লৈবাক্কী ইস্যুশিং অসিনা ইরমদম অসিবু মথক-মখা ওলহন্দুনা হায়নীংঙাই লৈতনা ৱাহল্লিঙৈ তাল্লক্তা লৈবাক মীয়াম ঐখোয়না করম্না সনাগী দোলাই তোংগদৌরিবনো? অদোমগী এক্ট ইষ্ট পোলিসিনা মণিপুরগী ইস্যুশিং অসিবু থম্মোয় শেংনা মতম চানা কোকহনবা ঙম্বীরগদি ঐখোয় মীয়াম্না চরা নাম্মতা চাদুনা, ইয়োং ফিসু শেৎতুনা, লৌবুক-পাৎতা কুমদুনা, অঙম্বা চীংসু কাদুনা ইমা লৈবাক অসিগী থৌগল তৌজগে হায়রিবনি। অদু ওইরবদি ‘এক্ট ইষ্ট পোলিসি’ না খুন্নাই অসিবু সনাগী দোলাই তোংহনবীবা ঙমগনি থাজে। নৎত্রগদি লু কোকপদা লেন তাবা হায়বা ফীভম অদু ওইরোইদ্রা?

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি*
*সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## অখঙ-অহৈ অমসুং লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*লৈবাক* মীয়ামগী চাওখৎ খোঙথাংগী খোঙচৎতা নমথাক তৌবশিংদগী চেকশিনবা তঙাইফদে। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী চৎনবী অমা ওইনা অপূনবা শক্তম ওইনা চৎন-পথাপ শেম্বদা তুংদা কায়রক্কদবা অদু য়েংদনা শেম্বা চৎন-কাঙলোন অসি হৈনবী অমা ওইরি হায়বসি অমুক নৌহৌননা হায়দ্রগসু মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। ইন্দিয়াদা লৈবা মীওইশিংনা বার্থ কন্ত্রোল তৌরি। অদুগা অতোপ্পা মফমদগী মী লৌশিনগদৌরিবা অসিনা করম্বা কাঙলোননো? নৎত্রগা মীশিং য়াম্না হেনগৎপা পান্নগনা থায়নগী পাল্লম্বা নিংথৌশিংনা নুপী ৫০/১০০ লোন্দুনা মচা ময়াম পোক্তুনা শাগৈ চাউহনবা অদুগুম্না মীওই খুদিংমক নুপী য়াম্না লোনবা তারব্রা? মসিগা মরী লৈননা ঐখোয়সু ওটোনোমি তানবগী রাইটস অমা পীরবরা হায়বা ৱাফম মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা হংফম থোকই।

মনু অমসুং সতুরূপা (নিংথৌ অমসুং মহারানি) অনীগী মচানুপী বিশ্বমোহিনি কৌবী মশক মতৌ ফজবদা জগৎপু শুমহৎপা ঙম্বী অমা লৈরম্মী। মহাক্কী মশক অদু উবদা লক্ষ্মীজী ফাওবা ৱাখল মাঙনা শুমহৎলিবীনি হায়। নিংথৌগী মচা ইবেম্মা অদুগী স্বায়ম্বর তৌবা পাল্লকপদগী মদুগীদমক মশীং লাকঙমদ্রবা নিংথৌশিং লাক্লম্মী। মদুবু কুম্মৈ য়েংনীংলকপদগী মুনিশিংনা নগরদুদা চঙশিন্দুনা ৱা পূম্নমক হংলম্মী।

নিংথৌগী কোনুংদা চংশিল্লম্মী, নিংথৌনা ফমফম পীদুনা পীজ-পীথক তৌদুনা থৌগল/পুজা মতোল লোম্না তৌই। মুনিশিংগী মরক্তা থোইদোক হেন্দোকপা নারদাসু য়াওরম্মী। মহাক্না মশক মতৌ ফজরবী কৈন্যাসি খ্বাইদগী মীথোই মীহেনবা মশক মতৌ ফজরবা মীওই অমগী মবেম্মা ওইদুনা জগৎতা মীথোই মীহেনবা ওইগনি খল্লি। অদুবু ৱাদুদি হায়দোক্তে। অসুম্না খল্লি, খ্বাইদগী মগুন লৈবা শক ফজবা অমা ওইরে খন্দুনা মঙোন্দা বর মালা শোয়দনা হুক্লগনি খন্দুনা লম্বোইবগী ৱাখল থাদোক্লম্মী। মাগী মওংদু খঙলদুনা জগৎকী মপূনা মহাকপু অথীবা শক্তম ওইহনখি। মসিনা মরম ওইদুনা হন্না ফাওবা কৈন্যানা য়েংবিরমদে। মাগী অথীবা শক্তম অদু উরুবদা শিবগী মনাই অনীনা নোক্নরুবদগী শাপ তৌরত্তুনা অকনবা হিংচাবা ওইনা পোকখিবগী ৱারী লৈ।

মণিপুরগী মৈহৌরোল হায়বা তারে পামহৈবনা পানবা মতমদা মৈতৈ লাইনীং মুত্থৎখিবগী ৱারী লাইরিক্তা অয়েৎপা কাঙবুবু লোই থাদুনা নমদুনা মাগী অনীংবা মখাদা চত্থখিবা থৌওং অদুগা মান্নবা মওং ওইবনা, সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ অসিগী মতাংদা পব্লিক ইন্টরেষ্টতা লিটিগেসন ওইনা থারকখিবা পেটিসন ওর্দরদুবু আইন্না য়াদবনি হায়বা ৱাফম অমসুং লাইনীংদা মতেং পীবা থৌওংনি হায়দুনা বিল অসিবু মীয়াম্না য়ানীংদবা ফোঙদোক্লি। অদুগা বিল অসিবু পাস তৌখিবা তারবদি নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং ফংনবগী মচাক লৈবনা য়েলহৌমী ফুরুপশিং মুৎখিনবগী অচৌবা লম্বী অমা ওইরিবনি। মরম অসিনা মীয়াম্না খোল্লাউ লাউরিবনি। মসিনা মরম ওইদুনা মফম খুদিংদা ঈহৌ, রেল্লি, ধরনা অমসুং খোল্লাউ চত্থরিবনি। অসুম্নসু ইনরি মদুদি ইন্দিয়াবু হিন্দু লাইনীংখক্তা চৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবা খোঙথাং ওইরোইদ্রা হংনরি। গভর্ণমেন্টনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা মচা খায়না য়েংশিনবীনবা লমদম অসিগী মীচম অমা ওইনা অখঙ-অহৈ অমসুং লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

*অদোমগী - অথোকপম তোম্বা*
*ৱাংখৈ য়োংলাল লৈরক, ইম্ফাল*

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*